*“চাউবসু কবিনি হায়বদা কনাসু য়েৎলোই। অদুবু কমলগা ফম্মিন্নবদদি য়েংবদা নুংঙাইতে।”*
*- এলাংবম নীলকান্ত (অচাইবা লৈ)*

## ঙমহনবীয়ু খুদুং ইনবা

**—তাহির সাজবম**

খান্বসু য়ারোই
নোংমদি
হুমদুনা পুখিনি থৱায়বু
খন্বা নাইবা পুন্সিগী পামেলদগী
তমদুনা লাকপা
নোংলৈ নুংশিৎনা।
চৎখিগনি
অমুক হল্লক্তবা লন্বীদা
খোঙ চুম্না থাংবা ঙমখিবশিং
ঙমখিদবশিং।
ঙাইরমগনি
মক্ত্রবা থম্মোয়গী মপুশিং
মায়পাকপগী লৈ পরেংনা
মপুগী অথোইবা খুদোল
জন্নৎকী লৈকোলদা।
মোৎলবা থম্মোয়গী মল্লবা মীৎনা
উগানি করম্না
খুদি থিরোইদবা লন্বী।
হে নুংশিথোইরবা!
নহাক্কী অচানবা মরুপকী য়েংলগা
ওন্থোকপীরো
লৈকাঙ চারবা থম্মোয় খুদিং
তরু তহেনবদা
নঙগী থৌজালগী লাইজনা
চামথোকপীদুনা
নুংতিগী।
নুংশি লৈনম্না য়োমশিল্লবা
মক্ত্রবা থম্মোয় পুদুনা
ঙমহনবীয়ু খুদুং ইনবা
মায় পাকখ্রবশিংগী।

## তাখিদ্রে খোঞ্জেলদো

**—ডা. থোকচোম হেরাল্ড (হেরামোৎ)**

করিনো তাখিদ্রবা মখোল, খোঞ্জেল অমা
ঐগী ৱাখল-নাকোংদা হেক-হেক তাহল্লকপসিবু
ইশানা ইশাদা হংজৈ।
ৱাখল মানদি পাউখুম পীরকত্রে,
ঐনা খল্লিবা ৱাখলসিবু করিনো?
ঐনদি কাউরগে খল্লি, অদুবু নীংশিংহল্লি ৱাখলনদি
ঐবু মায়কৈ অমরোমদা হুমখি, ঐবু কোক ঙাওহল্লি ৱাখলসিদা
করিসু নত্তবা হৌখ্রবা কাউরগে, খনখ্রবা থৌদোক্তুনি,
অমুক নীংশিংলকপা ৱাখলদু ওইরমানে।
ইপা-ইমা, ইয়াম্বা-ইচেশিংনা, ঐনা অঙাং ওইরিঙৈ,
ঐবু ৱারক-ৱাত্মেদুনা চৈ ঙাঙখিবা অদুগী খোঞ্জেলদো ওইরমানে,
ঙসি ঐগী ৱাখলসিদা নীংশিংলকপসে,
ঙসিদি ঐনা মী অমা ওইরবা কানসিদা,
মখোয়গী খোঞ্জেলদো তাখিদবা কুইরে।
খল্লুরগা থোইনা হেন্না নুংশিরকই
কুইর-কুইরগা ঐগী থম্মোয় ৱাখলসিদা
অমুক হন্না তাররোই, কুইরবা তুংসিদদি
মখোয়গী থুল্লবা খোঞ্জেলদো।

## লৈতেং

**—এল চিত্র**

লৈনা চোইনা কেল্লবী লৈরাং
নঙগী লৈনাশিংসে খোমজিল্লগা ঐনা
লৈরাং নাচোম শেমগে খনবনি
পামজবা কন্নানা থেৎসনু নাপদা
লেনসনু তরা মমাঙদা
নৎত্রগা লৈনাগী লৈরাং পরেং
লেংগে খনবনি ঐনা
পামজবা কন্নানা লৈতেংসনু ঙকশমদা
ওইহন্দ্রবসু লৈরাং নাচোম নাপগী লৈতেং
লৈতেংদ্রবসু নীংথিবা ঙকশমদা কন্নাগী
লৌসনু কন্নানা, লৈতেংগী লৈতেং ওইনা।

## লোইনাইদ্রবা নুপীলাল

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

পোক্লবনা লৈরাংগী মপোক্তা ঐসে
তকশি শোল্লি পলেম পন্থৌনা
ঙাঙনৈ চিবোন চিবোন নাখল মরুমদা
অমুক্তংগদি লাইবক চাং য়েংখিসি
পূক্নিংনা খোয়দাফাত্রবা মীথুং ওইরব্রা?
হায়নজরবসু য়েৎ ওই অমতনি
থবক্তা ওন্থোকপদি পঙলায় লায়দমাল্লে
ইয়াং য়াংনা হেক্তা উই ঐবুদি
মমা তিন্নদবা মচাদু মঙায়;
মতমগী খোঙলৈ থিঙমদে কন্নানসু
পোমশাৎনরকই লৈরাং লৈকা ফন্না
শাদানবগী মিৎয়েং চঙবা হৌরকই
হৈরাং লোঞ্জানবা, লৈরাং লোঞ্জিন্নবা
মরুম থুপ্না লেনবা তারকই;
অপাইবা লৈচিলগা পাঙ্খক ওই
য়ূম্নাক শাগৈ ওনবা তঙাইফরক্তে
‘নুপীগী য়ূম্নাক লৈতে, ষণগী ষণগোন লৈতে
কয়াদা ময়েক লারক্লিবনো ৱাহন্থোকসে
খোঙশাল্লে শকখঙদবা পোইরৈ লমদমদুদা;
খোঙথাং খুদিং কুপ্না য়েংশিনবী
ৱাঙাঙ খুদিং অচুম অরান ৱায়েনবী
ঙানা ৱা ঙাঙগে তৌবদা ঈশিংনা থৎলি
কয়াগী মতিক তোনখ্রবা নিংঙোল পুন্সি
লোইনাইদ্রবা নুপীলালনি অরোইবা মিৎকুপফাও।

## ৱায়েল শঙ

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐ লান্দে, ঐদি লান্দবনি
মসি মক্তনা লৈরল্লিবনি
ৱায়েল শঙ।
ঐ লানখ্রে, ঐনা শোয়খ্রবনি
হায়বা অমতং য়াওরল্লবদি
লৈরমদ্রবসু য়ারবনি
ৱায়েল শঙ।
লৈরল্লবনিনা চৎতবা য়াদ্রে
চৎলুরে ৱায়েল শঙ অদুদা,
ৱায়েল শঙগীদি শাক্ষিনি
শাক্ষিনা বীচার ওইরিবনি।
খুদম লৈতবা, শাক্ষি লৈতবা
ৱারেপ্পা অচুম্বা
ওইবা য়াদে
শাক্ষিনা
ৱায়েল শঙগী বিচারনি।

## হায়রল্লগে ঙসিদি

**—এম নিলকুমারি**

হায়রল্লগে ঙসিদি :
পূক্নিংগী অখাকপা থল্লমদনা
অরোল অথুপ য়াওদনা
পাউদল্লগে থম্মোয়গী নুংশিবা।
ফৈদাবুঙগী শাকোক অহুম;
হিচম য়াইচম পাৎকী পোত্থাশঙ
বৃটিশ লান্মীগী শঙ্গিন মতোন্দা মায়থীখ্রবা।
অমুবা মচুনা হল্লবা খ্বাংগী খ্বাংচেৎ শাগোন্নরিবী
দিসেম্বর ১২ মীয়ামগীনি হক্তুনা খিল্লিবা শক্তম।
‘অহিং অশা নোংজু নুংশা থওইদ্রবা
খূৎকী থাঙশাং থাদোক্ত্রবা ইপু থঙ্গাল জেনরেল’
চিংলকনি চিংনুংনি
অশেংবা তির্থ ওইহনখি
পাওনা ব্রজবাসি
খুদুম চেৎনা তেমশিংনখিবা
অপান্বা নুংশিবা কয়াবু থাদোক্লম্লবা
লায়র অনং কয়াগী লেপ্পীবনি মায়কৈ খুদিং
‘জন-নেতা ইরাবত’
অরংবা থৱানগী মমিনি।
‘য়েংলুবা উরুবা খুদিংদা’
অৱাৎপা লৈত্রবা মণিপুর ইমাগী নুংশিরবা মচাশিং
পোকপা শিবা নাইবা মপোক্তা
হিংদুনতা লৈহৌরগনি
চারোল শুরোল কয়াগী
হায়মনবা ওইরোই
মণিপুর ইমাগী ফংঙমদ্রবা অরংবা লননি
হায়রল্লগে ঙসিদি।

## পার্টি

**—ৱাহেংবম সত্যবতি**

নুংঙাইরে নুংঙাইরে
মীখল ময়াগী
মীদিয়া য়েংবা তাবা নুংঙাইরে।
ফজ-ফজবা ৱাহং
ফজ-ফজবা পাউখুম
ফজ-ফজবা ৱাহৈ
ফজ-ফজবা বেব্যাহার
ফজ-ফজবা খুদোপনা
লৈতেংলবা খূৎ লোন্ন-লোন্না
নোল্লুকপা ৱাহৈ
খূবাক্কী পার্টি
থন্বালগী পার্টি
একাগাড়ীগী পার্টি
লাইরিক্কী পার্টি
ফৌ চরোংগী পার্টি
ঘড়ীগী পার্টি
লৈগী পার্টি
চাগী পার্টি
চাক চান্নবগী পার্টি
যুগী পার্টি
শেল খায়বগী পার্টি
মৌ নহাগী পার্টি
মৌ হনুবীগী পার্টি
দল মান্নবগী পার্টি
দল মান্নদবগী পার্টি
লৈরক খুদিং মৈরা পায়বীগী পার্টি
লৈরক খুল্লক চিবোন চিবোন
পার্টি-পার্টি-পার্টি

## নঙগী নাক্তদা লাক্লিংই

**—জয়েন্ত সরাংথেম**

নঙগী নাক্তদা লাক্লিংই,
হে ইমা মণিপুর;
খঙদে করিগীনো,
হেক্তা লাক্লিংই।
ৱাখল অসে লূমদে,
মীগী ফজবা য়ূমদা য়ারেকপা;
থীরবসু শেগায়রবসু ঐগী য়ূমদনা,
ৱাখল লৈতাবা ফংই লৈবদা।
শাদে অদুক কন্না,
ঈংদে অদুক হাক্না,
চাবা হাউই,
লৈবা নুংঙাই।
মসিনা ওইবা তাই কৌনরিবা,
মালেমদা নাইতোম শাৎপী,
সনা লৈবাক মণিপুর,
নুংশিবী ইমা মণিপুর।

## মীনল্লি

**—নরেশ লাইময়ূম**

মীনল্লি মীওইবনা মীওইবদা
খঙনা খঙনা, উনা উনা
খঙশিন্নদবা তাশিন্নদবা শাদুনা
অমত্তা ওইবগী মতৌগুম
তশেংবদি নত্তবদা
নাইতোম তাবা পুন্সিবুনা
লন্বীসু তিন্নরোই চৎলিবদুনা
পন্থুংফমসু মান্নরোই।

## তিন্থোক্লা ঙা ফাবা

**—ইরোম মোবি**

থাদবা য়াবা থাদরি
খুরুম্বা য়াবা খুরল্লি
নোঞ্জবা য়াবা নোঞ্জরি
হায়জবা য়াবসু হায়জরি।
মীয়াম্না পংবা য়াবা পংথরি
তূম্বা য়াবা তূল্লি
খন্থদবা য়াবা খন্থনদ্রি
কাউবা য়াবসু কাউরি
ভোট থাদনবগী হকপু
লুকমাইদা য়োল্লগে খনবদৌনা তৌরি।
অঙাং ওইরিঙৌদা মখোয়বু
তিন্থোক্লা ঙাক্রা ফারক্ত মাল্লে।

মতম মতমগী ৱাখল

# ইন্দিয়ান পনোরামা,ফিল্ম ফেষ্টিভেল মণিপুর



মণিপুরী সিনেমানা চহী ৫০ শুরকপগী চহী অমা চুপ্পা পাঙথোকপা থৌরম হৌখিবা এপ্রিল ৯,২০২১দগী চৎথরকপনা মথং চহী এপ্রিল ৯,২০২২ ফাওবা পাংথোক্কদৌরি। চহী অমা ফাগদৌবা সুপ্নতংগী থা মরীখক্তা ঙাইখ্রে। চহী অমা চুপ্পা চৎথরল্লিবা থৌরমগী মনুং চন্না মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, ডাইরেক্টোরেট ওফ ফিল্ম ফেষ্টিভেলস, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশম্নরগা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ডিভেলপমেন্ট সোইসাইটি (MSFDS) না ‘ইন্দিয়ান পনোরামা,ফিল্ম ফেষ্টিভেল মণিপুর’ হায়না মিংথোনবা নুমিৎ মঙানি পাংথোক্কদবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল থৌরম ডিসেম্বর তাং ১১,২০২১ অসিদা হৌদোকপীখ্রে। হৌদোকপগী থৌরমদা তনু রাই, দিপুটি ডাইরেক্টর, ডাইরেক্টোরেট ওফ ফিল্ম ফেষ্টিভেলনা গেষ্ট ওফ ওনর, অরিবম শ্যাম শর্ম্মানা চিফ গেষ্ট অদুগা এম.জয় সিংহ,আই এ এস, কম্মিশনর, আর্ট এন্দ কলচরনা থৌরম মপু ওইবীখি।

ইন্দিয়ান পনোরমা অমা পাংথোকপা ঙম্বা হায়বসি সিনেমাগী তাইবঙদা অচৌবা কির্ত্তন অমা পাংথোকপনি। অচৌবা ফেষ্টিভেলনি। মপাল লমগী অখন্নবা ফিল্মশিং উৎকদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, ডাইরেক্টোরেট ওফ ফিল্ম ফেষ্টিভেল, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা চহী খুদিংগী পাংথোকই। ঙরাং নহালতা গোৱাদা পাংথোকপা লোইখিবতা ঙাইরি। ফেষ্টিভেল অসিদগী খনগৎলবা খরখক মণিপুরী সিনেমানা চহী ৫০ শুবগী থৌরম চৎথরকপগী মনুংচন্না মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ডিভেলপমেন্ট সোইসাইটিনা শিনবীদুনা ডাইরেক্টোরেট ওফ ফিল্ম ফেষ্টিভেলগা খুৎশম্নরগা পাংথোক্কদৌরিবা অসি মমল য়াম্না য়াম্লবা থৌরমনি। পাক হেক পাংথোকপা ঙম্বা ওইথোক্তে । হন্দক্কী ইন্দিয়ান পনোরমা অসিদা মণিপুরী সিনেমাগী অচৌবা লময়ানবা লমজিংবা ওইবীরিবা পাবুং অরিবম শ্যাম শর্ম্মগী ফিল্ম অনী য়েলহৌ জগোয় অমদি ইশানৌ হায়রিবা অসি মীয়ামদা হৌদোকপা ওইনা উৎখ্রে। ফিল্মশিং অসি সেলুলোইদ ফোর্মেটতা নমখিবা ঙাক্তনি। ইশানৌ ফিল্ম অসি কান ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা শরুক য়ারুবতা নত্তনা শক্তম লাংলিবী অনৌবম কিরনমলাবু স্পেসল মেন্সন পীবীরক্তুনা অৱাংবা ফিদা ফংখিবা অমসু ওইরিবীনি।

হঙ্গৎনা য়েংলুবদা মাঙলমচৎকী মণিপুরী ফিল্মশিংনা মফম অমা চাউনা কনবা ঙমখি। ফিল্মশিং মাইকৈ কয়ামুক্তা শীংথাবা য়াবা ওইখি। মণিপুরী সিনেমাগী পুৱারীদা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরগদবা ঙাক্তনি। ঙসিদগী চহী ৩০গী মমাংদা পুথোকখিবা পাবুং শ্যামগী ফিল্মশিং হৌজিক নৌনা য়েংবদা হান্নগুম চপ চানা মহাউ ফংলি, হন্দ্রি । চৎথরিবা ফেষ্টিভেল অসিদা পাবুং শ্যাম শর্ম্মগী ফিল্মশিংদগী খনগৎলবা ফিল্ম খর ডোক্যুমেন্টরিদা- ওর্কিদস ওফ মণিপুর, দ মোন্‌পাজ ওফ অরুনাচল প্রদেশ, মৈতৈ পুং অদুগা ফিচর ওইনা সনাবী, ওল্লাংথাগী ৱাংমদসু অমদি ইমাগী নীংথেম হায়রিবা ফিল্মশিং অসি রেট্রোস্পেকটিব ওইনা য়াওহনবীদুনা মীয়ামদা নুমিৎ খুদিংগী য়েংহনবা ফংহনগদৌরি।

ইন্দিয়ান পনোরমা হায়বসি ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেল অমনি। ইন্দিয়াগী ওইনা মসি পাংথোকলকপগী পান্দম মিৎয়েং লৈ। মণিপুরগী ওইনা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম ডিভেলপমেন্ট সোইসাইটিনা শিনবীদুনা পাংথোক্কদৌরিবা অসিসু পান্দম মিৎয়েং অমগী মখাদনি। চহী খূদিংগী ইন্দিয়ান পনোরমাগী ডেলিগেট ওইনা ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়ানবা মণিপুরদগী মীওই য়ামদ্রবদা অনী খনবীদুনা চৎহনবীরম্বদু চহী খরা অসিদা খুদোং চাবা লৌথোকপীখ্রে, ককপিখ্রে । ইন্দিয়ান পনোরমাগী ফিল্মশিং য়েংহৌরগা অফবা ফিল্মশিংগী থাক ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী। মালেমগী থাক্তা শীজিন্নরিবা ট্রিটমেন্টশিং খঙবগা লোয়ননা অনৌবা ৱাখল, থৌনা খুপুথোক উবা ঙম্মী। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরগী ওইনা হৌজিক মণিপুরী সিনেমাগী ফিভম শোক্লি । সিনেমা হোল হায়দুনা ইম্ফাল ময়োল অমদি ইম্ফালদগী হায়দোকখিবদা লৈরম্বা মীয়াম্না কৃক কৃক ইন্ননা য়েংনরম্বা অদু উখিদবা চহী ৩০ রোম শুরবনি। চৈচৎ কুমশীং ১৯৮০গী মতুংদগী পোকলকপা মীরোলনা লমদমসিগী সিনেমা হোলশিং অমদি মীয়াম্না পাম্না য়েংনখিবগী ফিলমশিং উহৌদ্রবনি। সিনেমা হোল অমগী শক্তম মাঙখ্রে ।

মণিপুরগী সিনেমা হোলশিংনা শিথখিবদা লমদমসিগী সিনেমাসু তপ্না তপ্না মমি শামথরকখি। সিনেমা হোলগী ফিভম হৌজিক করম্বা ফিভমদা লৈরিবগে হায়বসি কনাগুম্বা অমত্তনা হৌজিক ফাওবা কূপশিন্না নৈনবা থেংনদ্রি। সিনেমা হোলশিংদি মপুনা মরন্নাই ওইনা চলাইবনি হায়বগী মওংদা হন্না য়েংনদ্রি। হোলগী মপুশিংতনা কোইচেন চেনজৈ অদুসু মতু মমান ইশোন শোল্লি,কন্না চেনখৎপা ইঙম ঙমদে। মসিগী মরম চাউনা লৈরি। সিনেমা হোল,থিয়েটর হায়বসি ডিসিনা অয়াবা পীরবা লাইসেন্স পায়রবা সিনেমা কাপ্নবা হোল ঙাক্তনি। সিনেমাটোগ্রাফ এক্টকী মতুংইন্না সিনেমা হায়বসি হোলদা উৎকদবনি। হোল অমা হায়বসি করম্বা মফমদা শাগনি মাগী লৈফম থোকপা ওইফম থোকপা শূনবা লৈরিব্রা, মৈ ঈশিংগী ফিভম, চঙফম থোকফম, ফম্নবা সিটশিংগী মওং মতীক চারব্রা অসিনচিংবা কয়া কূপ্না য়াওরবা অদুবু সিনেমা হোল থিয়েটর হায়বনি। সিনেমাগীদমক নোংমদা উৎলিবা শো মশীংশিংদা নপকদবা টিকেৎ, লোইশঙদা কাগদবা এম্যুজমেন্ট টেক্স অমদি অতৈ কয়া লৈঙাক্কী চৎন পথাপ অমগী মখাদা য়াওরিবনি। মসি পূম্নমক ডিসিগী মখাদনি। হায়রিবা ময়াম অসি ঙসি চৎনরিব্রা ? মণিপুরগী ডি সি ওইবীরিবশিং মণিপুরী সিনেমাগী মতাংদদি মতম অমা ডিসিশিংনা লৌবীখিবা থৌদাং অদুগুম্না লৌবীখিবা অমদি মণিপুরী সিনেমাগীদমক ৱাখল খনবীখিবদু মতমগী অহোংবসিনরা লাপ্না লৈবগুম উজৈ । হৌজিক্কী ফিভমসিদা লৈঙাক্কী রেভিন্যু ডিপার্টমেন্টতা মণিপুরী সিনেমাদগী শেনফম কয়াম চহী অমদা কারকপগে হংবদা খুম্বা ৱাগনি। কাওথোকখিবা নীংশিংলুদবনা সিনেমাদগীমক লৈঙাক্না মতম অমা ইনকম য়াম্না খোমলম্বনি হায়বসি খঙবীরগদি ঙকপসু য়াওগনি।

ঙসিদি লৈঙাক্না লাইসেন্স পীদুনা থল্লিবা সিনেমা হোলদা ফিল্ম রিলিজ তৌনদ্রে । ভাগ্যচন্দ্র ওপন এয়ার থিয়েটরগুম্বা অমদসু হেক্তা য়ানরে। তৌনরিবা মওংসি সিনেমাটোগ্রাফ এক্টতা য়েংলুরগদি খরা তায়োন্নবগুম তৌরি। মসিনা হোলশিং শিথরক্লবা মরম অমসু ওইরি। নাকল অমরোমদা অমুক ঙসিগী লৈরিবা হোলশিং অসি চঙবদা মতমগা চান্নদ্রবা, লৈতেঙ য়াওদ্রবা হোল অমসু ওইবগুম তৌরি । লুবা নানবা ৱাৎপা, ফম্ফম নুংঙাইতবা, মফম চিনশিনলকপা কয়া অসিনা মীয়াম্না সিনেমা য়েংবদা কেনা লাকপগী মমল হঞ্জিন্দবা ওইরে হায়না লৌনদুনা নুংঙাইবা, শেল হঞ্জিনগদবা মফম য়েংনরকপদা অতোপ্পা মফম য়েংনরকপগুম্না তৌরি ।

পূম্নমক অসি ওইজরগসু মাগী মাগী মথৌ হায়বা অসি খঙনা চৎনরগদি চাউখৎপদা মাঙজিন থাগনি। হোলশিংসু মতমগা চান্নবা মওংদা শেমদোকপা মথৌ তারে। লৈঙাক্লসু য়েংশিনবীদুনা অৱাৎ-অপা হংবীবা,মতেঙ পাংবীবা চঙলি। আর্ট এন্দ কলচর হায়বসি অপূনবা লমদম অসিগী কলা সংস্কৃতিগী পোৎথোকশিং অসিনা ওইবনি। মতম অমা শাফু কন্না চেন্থরম্বা ইচেলনা করম্না ইচেল শোন্থখিবনো ? মপাঙ্গল কনখৎনবা শেমখিবা পোলিসি অদুনা মফম কদায়দা লৈখিবা অসিনচিংবা পূম্নমক মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা নৈনবা মতাং চাই।

হন্দক মণিপুর সিনেমানা চহী ৫০ শুরকপগী চহী অমা চুপ্পা পাঙথোকপা থৌরম অসিগী মনুংদা মণিপুরী সিনেমা তৌজরিবশিংগী অনৌবা য়েন্নিং,লাক্লিবা অনৌবা চহী অসিনা পুরকপসু ওইসনু । লমদমসিগী অরীবা সিনেমা হোলসিং নৌনা শেমগৎহন্দুনা সিনে একজিভিটর, থিয়েটর ৱাকর, দিষ্ট্রিব্যুটর, প্রোপ্রাইটর পূম্নমক্কীসু কুইনা ৱাজরকপা, মঙজরকপা মঙলান মঙফাওহনবীরগদি অপূনবা মণিপুর অমা শাগৎপদা ৱাৎহৌরিবা খরদি মেনখৎপা ঙমগনি থাজজৈ। মাঙলমচৎকী অহল লমনশিংনা পাংথোকপীরম্বা মণিপুরী সিনেমাগী থৌদাংশিং অদু তুংগী মীরোলনা শিলহৌবনি। হৌজিক লৈরিবা ওইরিবা মওং অসিদি তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলগীদমক করিগুম্বা অফবা অমত্তা থম্বীরমদবা তাগদৌরি। ‘ইন্দিয়ান পনোরমা ,ফিল্ম ফেষ্টিভেল মণিপুর’ পাংথোক্লিবা অসি য়েংমিন্নরগা তুংগী অফবা সিনেমা পুথোকলকপা ঙম্নবা অনৌবা য়েন্নিং হুনবা ওইরকসনু । ফিল্ম পোলিসি, কলচরেল পোলিসি অদু অমুক্তং নীংশিংমিন্নরগদি অনৌবা লৈঙাক লাক্কদৌরিবসিগী মায় মিৎ ওইগনি। লংলা-লংজিন কাংথোকচবতনি ওইনবা থৌরম পাংথোকপদি মরী লৈনবশিংননি ।

*—মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১২৪

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

“ঐনা হায়রিবসিসু তাখো। ঐনা মাঙজৌননা হায়রিবসিনি, ঐসে য়াম্না অৱাংবা থাক্কী লমহেনবা-ঙাওশিন্নবা মীশকনি। তুমিন্না য়াম্না থুনা-থুনা থক্লিবা য়ু অদু থকচিল্লো অদুগা নাকলদা নৎত্রগা কাচিন অমদা ওথোক্কে হায়ব্রা তৌনিংবতা তৌরে। অমুক হন্না অদুগুম্বা ৱাফম অদু হায়রক্লবদি কয়া নুংঙাইরোই।”

“তারব্রা ঐনা হায়রিসে ইবুংঙো?”

“কনানা তাগদৌরিবনো? কাচিন অসিদদি কনা অমত্তা লৈতে।”

“অরে, কদাইদা চৎখ্রে অঙাংদো? তুমিন্না চেনখ্রবরা?”

“অঙকপনি ইবুংঙো নখোয়!”

জোগনাথনা লুপা ১০ চৎপী অমা পুথোক্তুনা দুকান ফমলিবা নুপা অদুদা পীরদুনা হায়, “করি-করিনো চানবা খরা-খরা মীপুম খুদিংমক্তা পীজৌ-পিথকউ, মতম কুইরবগী তুংদা পোক্লফম লমদম অসিদা লাকপনি।”

“শেল য়াম্না পুরগা লাকপা মানখ্রেদা।”

“সনিচর প্রধান ওইরে, মহাক্না তাউথরকপা য়াথংনি, ঙসিদি পূম্নমক নুংঙাইনা থকপা-চাবা তৌগদবনি।”

“অদুবু সনিচরগী মনাক্তা কদাইদগী শেলনো?”

“হৌজিক সনিচরদু সনিচর ওইদ্রবনি প্রধান ওইরবনি। খঙলব্রা!”

মখোয়শিংদু মাগী-মাগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৌনরগা ফমথনখ্রে। দুকান অদুগী মমাংদা অহাংবা মাঙ্গোলগুম্বা মফম অমা লৈ। মনুংদনা দুকান ওই। লালটেন অমা মাঙ্গোলদা থাল্লি, মৈঙানদুদা থক্লি-চারিবা মীওইশিংদু উবা ফংই। দুকান মনুংদনা পুদোলগুম্বা মৈ অমা থাল্লম্মী, মদুনা মরম ওইদুনা পীথক্লিবা মীওইশিং অদু উবা ফংলমদে। মাঙ্গোলদা থারিবা বেঞ্চ অমদা মীওই অনী ফমদুনা লৈরম্মী। জোগনাথসু বেঞ্চ অদুদা ফমথখিরম্মী। অতোপ্পা মীওইশিং অদুনা লৈমায়দা থারিবা ফকতা ফমখিরম্মী অদুগা খরা অমনা লৈমায়দা ওইনা ফমথখিরম্মী। থক্ল-চানবা পূম্নমক মফম অদুদা লৈরম্মী। লোকেলগী য়ুগী মনম অদু লাপ্না-লাপ্না শন্দোক্তুনা লৈরম্মী। মরম অদুনা অথাপ্পা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিং অদুনা মফম অদুদা লোকেল য়ু ফংই হায়বসি খঙনরম্মী। লোকেল য়ুগী মনম অদুনা লোকেল য়ু অদুগী এদভরটিজমেন্ট তৌজবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা বিলায়টি য়ুশিংগী এদভরটিজ মেন্টদি পাউচেশিংদা উবা ফংই অদুগা লোকেল য়ুশিংগী এদভরটিজমেন্টদি অমত্তা উবা ফংদে। লোকেল য়ুগী এদভরটিজমেন্টকী মথৌ তাদে।

পেক মরি-মঙা থাজিল্লবা মতুংদা জোগনাথনা কোয়না-কোয়না য়েংলকই অদুগা হায়, “য়ুদা ঈশিং য়ানবা মাল্লি।”

“ঈশিং! য়ুদা ঈশিং য়াল্লগা য়োল্লে।”

“ঐসু মদু মাল্লি।”

“ঐসু মাল্লি।”

“নুমীৎ কয়ানিগী মমাংদগী ঐসু খল্লিবনি। হৌজিক্তি ঈশিং য়ানবা য়ুনা অশেংবা য়ু ওইনা খন্নরে হায়বদুনি।”

দুকান ফম্বা নুপা অদুনা লেপখৎলক্তুনা জোগনাথকী মনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা তপ্না হায়রকই, “নুংঙাইনা থকপিয়ু। নঙদি হেক থকপা হৌবদা ঙাইরি ঙাওবনা হাল্লবা মাল্লে। করিগুম্বা পৱা অমা নৎত্রগা পৱা মখায় অমা লেম্না থক্কে হায়রবসু তশেংনা অদুমক হায়য়ু ঐ পীথক্কে। অদুবু য়ুদা ঈশিং য়াল্লি, অদু য়াল্লি হায়বা কারন-তুরন ঙাঙগনু।”

ৱাফম অদু তাবদা জোগনাথনা ফুরিৎ খাউদগী অমুক লুপা ১০ অমদি ৫ চৎপী পুথোরক্তুনা হায়, “লেম্না থকউ হায়রবসু লেম্না থক্কনি। অদুবু নহাক পাখৎকনু, য়েংউ শেল ময়ামসে হান্না অমুক্তা উখ্রব্রা?”

দুকান ফল্লিবা নুপা অদু মশা পাতক তৌই। অদুবু নুপা অদু মশা থেক্কৎলদুনা চৎখিরম্মী অদুগা হায়, “মদু য়েংবগী মতম হৌখ্রে, হৌজিক্তি নখোয়গী য়েংবগী মতমনি, অদুমক য়েংবিয়ু।”

অতোপ্পা পেগসু থকচিল্লি। মীওই অমনা হংলকই, “হৌজিক কৈদৌসিগে জোগনাথ?”

“শেলগী অৱাবা মতমনি।” হায়না জোগনাথনা হায়রক্লিবা ৱাফম অদু কনামত্তনা থাজরমখিদে। মহাক্না মখা তানা হায়, “ঙাইখো থবক ৱাৎলি, হৌজিক দারোগাজি ৱারী শারুগদবা ৱাৎলি। পোষ্টিং হোংখ্রবসু ঐনা মাবু লেম্না থারোই। মফম অসিদা লাক্ত্রিঙৈ মমাংদা সিটিদা মঙোন্দা ঐনা কেস অমা থাঙ্গৎলম্বনি। মদু থেংনবদা মহাক খঙগদবনি।”

“করম্বা কেসনো?”

“শেলগী মতাংদনি। নঙদি হীরম অসিগী মতাংদা খঙদব্রা? ঐঙোন্দা মহাক্না লান্না হুরানবগী কেস থাঙ্গৎলকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা ঐহাক জেলদা থা অনী-অহুম লৈরুরিবনি।”

“ৱেদ্যজিনা বেল পীনবা থবক তৌখিদব্রা?”

“মহাক্নদি হোৎনজবনি, অদুবু ঐনা শাওদুনা য়াদবদগী তৌখিদবনি। দারোগাগী মীংদা জেলদা লৈগনি হায়খিবনি। জেলদা লৈবগীসু কা ভারা লৌবসু নৎতবদুবু।”

“অদুগা কৈদৌরবা?”

“করি তৌনেগে? ঐগী ইকায়খুম্নবা মাঙখি, লৌ উবা ঙমখিদ্রে। লৌফম অমনা রামচন্না লৌশিনখ্রে। মাঙখিবা ময়ামদুগী ফুগৎলগা লুপা লিশিং ৮ পীনবা কেস থাঙ্গৎপনি। মদু তৌনবা হোৎনবদা দারোগাজিনা করি তৌবা ঙম্বগে হায়বদু য়েংবা তাবনি।”

“অদুবু কোর্টকী ফিনা কমদৌবা? শেল-থুমগী মতাংদা কেস তৌবা শেল য়াম্না চঙগনি।”

“পূম্নমক ইশ্বরনা পীগনি।”

“হৌজিক য়েংবিয়ু ভাই জোগনাথ, বাংভন অমা ওইনা পোক্লগা গ্যান-মেন তাদবা ৱা ঙাঙগনু। চুম্না-চুম্না অদুমক ৱারী শাও।”

“হোয় ভাই, ঐনসু হায়রিবসিনি, ইশ্বরবু মসিগী মরক্তা পুশিল্লক্কনু। কোর্টকী ফীনা কনানা পীগদৌরিবনো?”

“ঐনা হৌজিক হায়খ্রিবদুনি ইশ্বরনা পীগনি হায়না।”

“মহাক হৌজিক খঙগনি, মখা তানা হায়ররোই। মাঙ থানা চঙশিল্লগনি। কেস তৌগনি খনখিবদু হৌজিক্তি মাগী মথক্তা কেস তৌরেদনা।”

“কেস তৌখ্রবনি।”

“করম্বা মতমদা তৌখ্রিবনো?”

“ঙসি তৌখিবনি।”

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা